ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯵ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ১২, ২০২১, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ২৮৫শুবা মশীং

# মণিপুর ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি

## লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা ইন্দষ্ট্রি অসিবু চাউখৎহন্ননবা হোৎনবগী মমি তাদে

ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৭৭গী মখাদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা শেম্বা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (এল্লোকেসন ওফ বিজিনেস) রুলস, ১৯৬১গী মতুংইন্না ফিল্মবু মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা থম্লি। থৌশিল অসিদগী লৈবাক শিনবা থুংনা ফিল্ম চাউখৎহন্ননবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্তুনা ষ্টেট কয়াদদি ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি খোঙজেল য়াঙনা চাউখৎপগী লম্বীদা চেনখ্রবসু মণিপুরদদি নোংম-নোংমগী মনিঙ হল্লকপগুম তৌরি। ইন্দিয়াগী মায় পাক্লবা ইন্দষ্ট্রিশিংগী মনুংদা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিনা ৯শুবা মফম কল্লিবনি। দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) না পব্লিসিটি লোয়শঙ হায়না খঙনরিঙৈ মতমদা মণিপুরী ফিল্ম অসি লোয়শঙ অসিগা লোয়নরমখিবনি। অদুবু কুমজা ১৯৮০গী নবেম্বর ১৩দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর আর কে দরেন্দ্রনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কাউন্সীল (এম এফ দি সী)গী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না পব্লিসিটি লোয়শঙদগী মণিপুরগী ফিল্ম অসি ফুক্তোক্লগা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙদা তীলহনখিবনি। পব্লিসিটি লোয়শঙদগী আর্ট এন্দ কলচরগী লোয়শঙদা থাংদোরকখ্রবা মতুংদা মণিপুরী ফিল্ম অসি অনৌবা মঙাল অমগা লোয়ননা মশক থোক্লকক্দ্রা খল্লম্বদুগী ওন্ন-তৈনবা ওইনা ফীভম শোকচিল্লকপগী মমি তাখি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও থোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা ফিল্ম এগজিবিসন পাঙথোকপা হৌখ্রবা মণিপুরগী ফিল্মবু চাউখৎহন্ননবা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা কুমজা ১৯৮০দা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট কাউন্সীল লিংখৎখি। মসিগী মতুংদা অমুক কুমজা ১৯৮৭তনা মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কাউন্সীল লিংখি। অদুবু কাউন্সীল অসিনা থবক থৌরম কয়া নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লক্তবদগী মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস) অমুক লিংখৎলকখি। অদুবু সোসাইটি অসিনা মণিপুর ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহন্ননবা করি করি তৌবা ঙম্লবগে হায়বসিদি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

কুমজা ২০১৫দা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না ষ্টেট অসিদা ফিল্ম সিটি অমা শেমগৎনবগীদমক ৱারেপ লৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা থবক্তা ওন্থোরকপা উদ্রি। মসিগীসু মথক্তা কুমজা ২০১৬তা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইনষ্টিট্যুট শঙ্গাখি। ইনষ্টিট্যুট অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগা হৌদোকমিন্নখিবনি। অদুবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা নীংথিনা চলাইরবসু মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইনষ্টিট্যুট অসিগীদি দিরেক্টর অমখক থমজিল্লকপা নত্তনা ক্লাসতি হৌদনা লৈরি। কুমজা ২০২০দা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা মণিপুর ষ্টেট সিনে পোলিসী শেমখি। অদুবু মণিপুরগী শিথরল্লবা সিনেমা হোলশিংবু হিঙ্গৎহন্ননবা অমসুং মণিপুরী ফিল্মশিং পুথোকপদা তেংবাঙনবা ফাইনান্সিএল প্রোভিজন অমত্তা য়াওদবগুম তৌই। মতম অমদা সিনেমা হোল ৬০গী মথক্তা লৈরমখিবা ষ্টেট অসিদা হৌজিক্তি সিনেমা হোল অয়াম্বা মুৎখ্রে। হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইম্ফালদা লৈরম্বা মমিং লৈরবা সিনেমা হোল খরদি স্কুল ওন্থোকখিবসু য়াওখ্রবনি। চৈরক অসিদা কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ২৮দা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরিনা দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টরদা ইখিবা চেরোল অমদা মণিপুরগী ফিল্মবু আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙদগী অমুক ফুক্তোক্লগা দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর)দা অমুক হঞ্জিনহন্ননবা এগজামিন তৌবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা কম্মেন্ট পীরক্লবা খঙহনখ্রে। চেরোল অদুগী কোপীশিংসু আর্ট এন্দ কলচর কম্মিস্নার অমদি চীফ মিনিষ্টরদসু য়ৌহনখ্রে। নৌনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মণিপুর ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিবু চাউখৎহন্ননবা খোঙথাং ওইগনি হায়না তশেংনা লৌবা য়ারব্রা হায়বসিসু হংনিংঙাই ওইরি। নোংম-নোংমগী মণিপুর ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি অসি শিথরকপা অসিনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা ইন্দষ্ট্রি অসিবু মশক থোক্না চাউখৎহন্ননবা থম্মোয় শেংনা হোৎনবগী মমিদি তাদে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ষ্টেট অসিগী মফম খরদা অফ্রিকান স্বাইন ফ্লু শন্দোরক্লিবা অসি মতম লৈরিঙৈদা চেকশিলহৌবনা চুমগনি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

নোংমা-নীনিগী মমাঙদা ইম্ফাল ইষ্ট ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অসিগী মফম খরদা অফ্রিকান স্বাইন ফ্লু শন্দোরক্লে হায়না হীদাক-লাংথক কাপথোকপগী থবক চংখ্রবা হৌখ্রে। অদুবু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাইচৎ অসিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মমিদি তাদ্রি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টশিংনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। মতম চানা চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৌখৎহৌদ্রবদি লাইচৎ অসি ষ্টেট অসিদা পাক শন্না শন্দোরক্তুনা ওক লোয়জরিবা মীওই কয়াদা অচৌবা চৈথেং পীরকপা য়াই। কনাগুম্বা খরনা লাইচৎ অসিনা মীঙোন্দা থোইনা অকায়বা পীবা হায়বদুদি লৈতে হায়না ফোঙদোক্লবসু য়াওদবা নত্তে। অদুমকপু লাইচৎ অসিনা মীওইবদা হকথেংননা অনা-অয়েক থোকহন্দ্রবসু ওক লোয়দুনা হিংজরিবা মীওইশিংদদি অচৌবা চৈথেং পীবা হায়বদু ওইগনি। অফ্রিকান স্বাইন ফ্লুনা নারবা ওক্কী মনাক্তা চঙলুরবদি মহীক অদু মীওই অদুদা য়াওরক্তুনা লায়না অসি অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোরকপগী চাং য়াম্না ৱাংই। মরম অদুনা মীওই অদুনা শেৎলিবা ফিরোল অমদি মশামক সেনিটাইজ তৌদনা অতোপ্পা ওক লোয়বা মফমশিংদা চঙবীগনু হায়বা ৱাফম অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোকপা খক নত্তনা মতম লৈরিঙৈদা চেকশিলহৌবনা চুমগনি হায়জনীংই।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইবোহল, ইম্ফাল*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১) "কমদৌনা ওকচগদগে অনৌবা চহীবু/মংগারকপগী চোৎলবা ফিজোলসিদা/মৈরীনা কোয়শিল্লক্লিবা লমদমসিদা?" মণিপুরগী অফাওবা স্কোলর অমসুং কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদু কনানো, কদাইদা (য়াওফম) হায়রম্বনো?

২) মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবা লাইরিক অমদা য়াওবা শৈরেং মতেকনি পীরিবা অসি। কবি কনাগী করি লাইরিক্কী করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? - "নাপনগা লোয়ননা/থাজরুই ঐনা/পুন্সিবু থৌরি হায়না ঐনা/মথক্তা তোংদুনা শগোল থৌবগুম।/অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা/পুন্সিনা চোংশিল্লক্তুনা নম্মী ঐবু;/পুনত্রে তুই ঐহাক লৈমায়দা/হাইহৎতুনা,/পুন্সিনা থৌরকই তোংদুনা ইথক্তা/লোংনা তারিবা ঐগী।"

৩) "লুপথখ্রবা হিনাউ" হায়বসি করম্বা মখলগী কনানা ইবা লাইরিকনো অমসুং অহানবা ওইনা করি চহীদা ফোঙবগে?

৪) "সন্ধ্যা থাউমৈগী মৈরী' হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৫) "চায়নরোল" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মতমদা ইরম্বনি হায়না লৌনবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# জুকো ভেল্লিসিবু নাগালেন্দখক্তগীরা?

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৩৫**

**জিতেন নামৈরাকপম**

হৌজিক্কী মতম অসি চাওখৎপগী চকনি। চাওখৎলে, ফজনা চাওখৎলে হায়বা য়ারে। মীনা নূংগী চকতা হিংনরিঙৈ মতম, অমগা অমগা য়েংথীনবা, গ্রুপ-গ্রুপ শেম্নদুনা অঙম অঙম্বা হাৎতোক্লবা, জ িপসি নৎত্রগা নোমাদিক ওইবা লাইফষ্টাইল - মদুগী চক অদু হোংখিবা কুইরে। মফম হোং হোংদুনা খুন্দা লৈতাবা। মফম হোং হোংদুনা খুন্দা লৈতাবগী মরমসু লৈ। মদুদি চীং, পাৎ, তুরেল, লৈতেম মান্নবা লমদম, লৈহাও লৈবা পোৎ চৈ, মনা-মশিং থাবদা খ্বাইদগী পোৎথোক লৈবা মফম থিবা, অঙৈং অশা, নোংজু-নুংশাগী ফীভম ফবা, নেচরেল রিসোর্চ মরাং কায়না ফংবা মফম থি থিদুনা চৎপা, হান্না লৈরম্বা মফম অদু থাদোক্লমদুনা অনৌবা নুংঙাইবা মফম থিদুনা খূন হোংদুনা পুল্লপ পুল্লপ চৎপগী পুন্সি মরেল অদুসু খুদোংথীবা কয়া থেংনরমগনি। অসুম অসুম হোংলকপা মীরোলগী মতুংইন্না লুচিংবা খনবা, নিংথৌ পাল্লকপা, নিংথৌশিংগী মরক্তা লান তানদুনা লন-থুম খোমগৎপা, জয় তৌনবা হোৎনবা, মীগী ওইরম্বা লম কয়া লৌশিন্দুনা হাইনা হুম্না পান্নবগী, অকন অথৌ শক্লবগী মতম মথং মথং হোংদুনা লাকখি। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লান শোক্লখিদবা নিংথৌ পানখিবা লৈবাক অমত্তা লৈখিদে হায়বা য়াই। লান মনুংদা থোকখিবা মীশি-মীনা কয়া, অশোক অপন, মীকপ-মীরাওখোল কয়াগী ৱারী পুৱারী ওইদুনা লৈহৌরি।

অদুবু মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইখিবদগীদি লানগী পন্দুপ লোইশিনখ্রে। লৈবাক অমত্তনা লান পাম্নরক্ত্রে। অমরোমদা অমগা অমগা য়েংথীনবা, শক্তি য়েংনবগী লান পুমলোই লোইখিবমক্তি নৎত্রি। মরক মরক্তা মালেমগী মফম খরদা মুক্লবা, য়েংথীনবনা মরম ওইরগা মরক মরক্তা লান তৌনবগী পাউদি অদুম্মক তাবা ফংখি। হৌজিক চাওখৎলে হায়রিবা মতম অসিদসু লান য়াম্না তৌননীংবা লৈবাকশিং য়াওদবমক্তি নত্তে। মখোয় মখোয়না পৈদুনা থল্লিবা ফৱ-ফৱবা খূৎলায়শিং, মিসাইল, বোম-টোপ, ন্যুক্লিয়র ৱেপন কয়া অমুক্তং থাদোক্তুনা মখোয় কয়ামুক য়াম্না শক্তি লৈবা লৈবাক্নো হায়বদু মীয়ামদা উৎনীংবগী মওংলা খঙদে লৈবাক অমগা মখোয়গা য়েংথীনবা লৈবাক অমগা মফম মতম অমদা হেক্তা লান শোক্লগাদবগী লুমদুনা লৈনবা য়াওদবসু নত্তে। ইশম শম্না হৌজিক ইন্দিয়াগা চাইনাগা মরী ফৎনদবনা মখোয় মখোয়গী বোর্দর পরিংদা ঙাক্নরিবা সিফাইশিং মরক মরক্তা নোংমৈ কাপ্নদুনা অথিংবা থুগায়দুনা অশি অনা থোক্নরিবা অসিনি। চপ মান্নে। ইন্দিয়া পাকিষ্টানগসু অদু মঙাই মখোয়গী লমখৈ পরিং ঙাক্নরিবশিংগী মরক্তা খূৎলায়গী চাংয়েং য়েংনরি। ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ইন্দিয়াগা পাকিষ্টানগা এল ও সী লানশিন্নদুনা কার্গিল ৱার শোক্লখ্রে। ইন্দিয়াগী শক্তি লৈরবা টোপ, বোফোর্স শীজিন্নদুনা অকনবা লান শোক্লখি। টোপ অদু খীন্দুনা পাকিষ্টান আর্মিশিংনা লোৎতুনা লৈবা মফমশিং শক্তি লৈরবা টোপ অদুনা কাপ্তুনা থুগায়খিবা, মী তাদবা চীংদোল কয়া উফুল তানা থুগাইখিবগী লানফম অদু ঐখোয়না টেলিভিজন্দা উবা ফংখি। মদু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনষ্টর অটল বিহারি বাজপায়না পাল্লিঙৈ মতমনি। লান অদু ইন্দিয়ানসু মায় পাকখি। ইন্দিয়াগী লাম্নীশিংনা ত্রাই কলরগী ফিৱাল কার্গিলগী কল্লবা লানফমগী চীংদোলদা যুংখি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি ঐখোয়গী মণিপুরদা পোকপা মৈতৈ মচা হায় রেঙ্কিং আর্মি ওফিসর রিটাইয়ার্দ লেফটনেন্ট জেনরেল হিমালয়সু লানফম অদুদা শরুক য়াখি। মায় পাকখিবা লান অদুগী ক্রুপ অমগী কম্মান্দরসু ওইখি। অদুগা লাইবক থীবা অমনা মণিপুরী মচা লাম্নী খরসু লানফম অদুদা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা মথ্বায় কৎখি।

লানগী ৱা অসি ইচিনমক্লফাওবা পন্নীংদ্রবা মতমনি। মালেম পুম্বদা শান্তিগী পাউজেল পুদুনা মালেম শিনবা থুংনা শান্তিগী পাউজেলগী খোল্লাউ লাউদুনা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা হিংমিন্নবগী চাওখৎ ৱাখলগা লোয়ননা লৈমিন্নরবা মতমনি। চাওখৎলবা অৱাৎ-অপা লৈত্রবা লৈবাকশিংনা চাওখৎত্রিবা লৈবাকশিংবু মতেং পাংবীদুনা, প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎতুনা, স্কিম কয়া হৌদোক্তুনা মান্নরবা খুন্নাই অমদা হিংমিন্নসি হায়দুনা থবক পায়খৎনরবা মতমনি।

অদুবু পিকখ্রবা লৈবাক মণিপুরগী য়ূম্লোন কৈরোন্নবা লৈবাকশিংনা খৎনবা হৌরকপগী পাউ তত্তনা তানরি। ম্যান্মার লৈবাক্লা বোর্দর পিল্লর নম্বর কয়া কয়ানো লানশিন্দুনা মণিপুররোমদা চঙশিল্লক্তুনা য়ুংশিল্লম্বা অমুক ফুক্তৎনবা থেঙ্খাং কয়ারক্তা থেংনখ্রে। উখুললোম থংবা মায়কৈ অমদি মোরেরোমগী মায়কৈরোমদনি লৈবাক ৱাথোক ওইবা, ৱা হেক হেক থোকহল্লকখিবদু। হন্দক অমুক মণিপুরগা থংনরিবা পিকখ্রবা ষ্টেট নাগালেন্দগী খুঞ্জা খরনা জুকো ভেল্লিগী মতাংদা কারন তারকখিবদু। নাগালেন্দগা মণিপুরগা ষ্টেট অনীগী মনুং চন্না লৈরিবা জুকো ভেল্লিবু নাগালেন্দখক্তগীনি মণিপুরগী শরুক য়াওদে হায়দুনা মণিপুর মচাশিং চঙবদা থিংখিবদুসু থেঙ্খাং কয়ারক হন্ননি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা জুকো ভেল্লি মৈ চাকপা কনবা চঙবফাও চঙবা য়ারোই হায়না থিংলকখি। য়াম্না গুন্দা শাবগী মওংনি। অদুবু চিন্দা পাউদানদুনা নমদুনা চঙখি। অঙকপনি। মৈ কনবা চঙবফাও য়ারোই হায়রিবা কোক্তুনি ঙাক্লিবদি। অদুগী মথক্তা চীংশাং পরিংশিংদু মৈ চাকখিবদুসু থিংলিবা কাঙবুনা শোয়দনা থাবা ওইরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। হৌজিকসি লান পাম্নদ্রবা মতমনি পূন্না নুংশি চান্ননা অকায়বা তৌনদনা হিংমিন্নসি কৈদৌগে! ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

হৌখ্রবা কুমজা ২০২০সি কুম কাংবগা পাঙ্খক ওইখ্রবনা চহীসিদগী মশীংদনা অমা থোইগৎপা কুমজা পাবদনা অমা নৌথবা চহী ২০২১না লাকপসিদা মালেমগী মীপূম খুদিংনা হরাউ তয়াম্না ওকচবসিদা অইবা ইশাসু শরুক য়াজরি। অনৌবা কুমজা (মালেমগী ওইবদা) ২০২১না ইরমদমসিদা খোঙদোই হুল্লকপা পুংজাদা অয়ূক্কী ঙাংঙ্লান্নবা কোরৌ ইপাগী নীংথিজরবা মশেক মঙালগা লোয়ননা মালেমদা তংদু লৈতাবা, ঈং-তপ্পা, লায়না-তীলনা, অৱা-অনা য়ারিবমখৈ চাং য়াম্না হন্থদুনা কপয়াংবা, তপয়াংবা, নুংঙাই-য়াইফনা য়াইবী মরাং কায়বা, পুন্সি নুংশাংবা, মালেমসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংগী হীরম খুদিংদা য়াইফবতা ওইহনবীনবা থৌজাল ললকুবীয়ু হায়না তাইবঙ শেম্বা মপুদা থৌনিজবগা লোয়ননা মালেমগী মীপূম খুদিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না ওইরকপা ৱাফম কয়াদা য়ূম্ফম ওইরগা তঙাইফদবা ফীভমদগী ৱাহং কয়াগী পাউখুম থিবা/পীবা মথৌ তারক্লি। নরেন্দ্র মোদিজীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা বি জে পিনা লুচিংবা ময়োল লৈঙাক ইন্দিয়াগী ওইনদি 'ৱান নেসন ৱান রিলিজন' হায়বা ৱাখল্লোনসি থবক ওইনা পাঙথোক্লীংবগী অপাম্বা খুদম কয়া লৈবসিগা ঐখোয়গী ইন্দিয়া মান্নদবা কম্যুনিতি কয়ানা পুনশিল্লগা শেম্বা লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসন্দা 'ইন্দিয়া ইজ এ সেক্যুলর দেমোক্রেটিক কন্ট্রি' হায়না ইদুনা য়াওরিবসিগা কয়াম চুশিন্নবা য়াবগে হায়বসিনি ইহান হান্না কূপ্পা য়েংশিন্দুনা খন্ননীংঙাই ওইরিবদি। লাইনীং লাইশোন অকক্লবা অমদা তোংশিনবা/শৌগৎপা য়াদে, চৎনীংবা লাইনীং লাইশোন অমা চৎপা য়াই হায়বসি ওইফম থোকপ্রা হায়না খঞ্জে। অদুবু লাইবক থীবদি লাইনীং লাইশোন অমখক্কী ওইবা ৱাফমদা য়ূম্ফম থোন্নবায়োকখৎনবা হোৎনবসি কন্সটিট্যুসনদা য়াহন্নবা অমুক শেমদোকপা তারিব্রা? ইন্দিয়াগুম্বা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংদদি এম পি/কোংগ্রেস/সিনেট/এম এল এ মশীং য়াম্লবদি তৌনীংবতা তৌবদা মায় পাকপগী ওইথোকপা লৈবনা অয়া য়াদগী ৱাফমসিদি ফনা য়াম্না য়েৎনরবসু অরোইবদা য়েৎনবমখৈ য়েৎনরগা 'ভোইস ভোট' লৌনরগা লোইরে। য়াদবা ঙমদবা লৈতে। মরম চাবা কয়াদা মতমগী চুননবা হায়দুনা এমেন্দমেন্ট কয়া তৌখ্রে। মতমনা পুরকপা অতোপ্পা খোঙলৈ অমদা অমুক করি তৌবা য়েংবা/ঙাইবা নত্তনা মীচম মীয়ামগীদি করি ইতিক লৈগনি। য়ানীংদে হায়দুনা কয়াম কুইনা লাংবা ঙমগনি। য়ানীংদে হায়রবসু নম্ফুন্দা অদুম তৌখিনি হায়বসিসু অদুম খঙনরিবনি। দেমোক্রেসিগী ফজবা ৱাহন্থোক্তি - লৈঙাকপদা য়াওরিবশিংগী মশীং য়াম্লবা হোৎনবা 'নম্বর গেম' নি।

লাইনীং লাইশোনগী ৱাফমদা নত্তে। 'ৱান নেসন ৱান লেংগ্বেজ' সু হায়রিবনি। ফুরুপ মান্নদবা মীশিং য়াম্বসু/য়ামদবসু মশাগী লাইনীং লাইশোন অমদি মরোল লৈজবা কয়া অমা লৈরি হায়বসি অপূনবা ইন্দিয়া ওইনবা শেমগৎলকপা মতমদা হান্নদগী হৌনা খঙখ্রবনি। হৌজিক পাল্লিবা ময়োল লৈঙাক্লা 'ৱান নেসন ৱান রিলিজন অমদি ৱান লেংগ্বেজ' ওইহন্নীংবগী ৱাখল্লোনসি অমত্তা ওইবা ৱা-খল্লোন্দদি ফজে হায়বা তারবসু মান্নদবা কয়া অমা লৈবনা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা, উনা উনা উশিন্নদবা হায়বা থৌদৌদুনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। কম্যুনিতি খরগী মমারোল লৈজরবসু মপাগী শক্লোন লৌরিবা 'ময়েক' লৈজবা/লৈজদবা খরসু য়াওদবা নত্তে। মরোলসু ময়েকসু লৈজবা, মশাগী মনাৎসু হৌরক্লোন্দগী তোমথীন নাইনা লৈজবসু য়াওরিবনি। হিন্দু লাইনীং চহী লিশীং কয়াদগী চাওখৎতুনা লাক্লে, হিন্দি/সংস্কৃটনা লোল ওইনা ঙাঙনদুনা লাক্লে। অৱাংবা থাক্কী লাইনীং লাইশোনগী লাইরিক ইরমদুনা লৈরক্লে, চাওখৎপা মীওই কাঙবুনি/ফুরুপনি হায়বসি অদুম খঙনরবনি।

হিন্দি/সংস্কৃট লোলশিং খঙদবা ময়াম অমা লৈরি হায়বা য়াই। অখঙবসু ময়াওরি। লোল অমা/অনীমক খঙবসু য়াওরমগনি, মশীংদি পংয়াম য়াম্লমদবসু য়াই। খঙদবনা খঙদ্রে, অখঙবা খরনা মরম খরদগী ঙাঙনীংদবা ষ্টেট কয়া অদুম লৈনবা য়াওরি। খরা অমনা তঙাইফদবা মতমদুদতা ঙাঙগে হায়নসু খল্লমগদবা কম্যুনিতি খরসু ইন্দিয়া মনুংদা লৈতবা নত্তে। মখোয়শিংদুসু হিন্দি ঙাঙবগুম্না অদুম চাওখৎলিবা কাঙবুনি। হিন্দুসু অদুম ওইবা য়াওরিবনি। অসিগুম্বা ফীভমদা নম্ফুদা অকক্লবা লোন অমা ঙাঙহন্নবা হোৎনবা হায়বসি লৈবাকসিদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরক্লিংঙাই মরম লৈতে হায়না লৌগদ্রা? অরাইবা খুদম অমা ওইনা লৌখৎপা য়াবদি থবক (অচৌবা/মচা) অমা তৌজরগা হিংনবগী 'রাইট টু লিভ' হায়বসিদা খোঙ্গাওনবা ওইনা থোক্লোইদ্রা? মরমদি হৌজিক ময়োল লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা পাল্লিবা পান্দম ফংনবা হোৎনরকপদা অতোপ্পা কম্যুনিতি মশা মশাশিংগী মরোল, মরোলগা কোন্নবা/শাগোন্নবা ময়েক লৈজরবসু মখোয়শিংদুগী চন্নফম লৈতবদগী অৱাবা মায়োক্নরকপা তারকপগী ওইথোকপা লৈরকপসিনি। 'ৱান লেংগ্বেজ' হায়বদু অদুম চৎননবা হোৎনরকপা মতমদা অকক্লবা লোলদুগী চৎনবা য়াবা লৌশিং (ৱার্কেবল নোলেজ) লৈতবা য়াদে। খঙদবা য়াদে হায়দুনা থবক চঙবদা অথিংবা লৈরক্লবদি - হান্না থবক চঙখ্রবা ফাওবা লৌথোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরকপা (হেন্না কনশিনবা মওং ওইরক্লবদি) কনানা তম্বা ঙমগনি। লৈঙাক্কী অপাম্বনা হান্না খুদোংচাবা (ফর্ষ্ট প্রাইওরিটি) ওইবা তাবনা, থবক খনগদবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা নত্তনা পব্লিক সেক্টর, প্রাইভেট সেক্টরদা ফাওবা লৈঙাক্কী অকনবা য়াথং তাওথরকপদগী মরী লৈনবা হ্যুমেন রিছোর্সকী থৌবাংবা মকোকশিংনা কনাগুম্বা ৱান লেংগ্বেজ' দু খঙদবদগী/ঙাঙনীংদবদগী অমনা থবক চঙনবা হোৎনবদা অহানবমক্তদা মতিক চাদে হায়বরোমদা পুথোক্লগা থবক্কীদমক মীরেপ (কেন্দিদেট) ওইবা য়াহন্দবা/য়াহনখ্রবা মতুংদা মনুংদা অরোনবা থৌশিল অমগী মখাদা থবক খন্দবা য়াগদৌরিপোৎনি। ৱায়েল শঙদা করিগী থবক খন্দ্রিবনো হায়না ৱাকৎপা অহানবদা হেক্তমক য়াবসু নত্তে। থবক খনখিবদুদা অশোয়বা/চিংননীংঙাই ওইবা মরম চাবা য়াওখ্রে হায়না খুদম চাংদম উৎপা ঙমগদবা লৈরবদি ৱায়েলশঙগী মতেং লৌবসু য়াফম্দি থোকই। নৎত্রবদি য়াফম থোকত্রিবনি। অসিগুম্বা খুদোংচারোইদবা মরম কয়ামরুমসিদগী ৱারবসু ৱানা নান্থোক্লবা হোৎনরগা হায়বদি পামদ্রবসু পামদনা হিংনবগী লানফমগীদমক ইনবা তত্রা হায়বসিনি। মতাং অসিদা লৈঙাক্লা মপূং ওইনা শৌগৎলিবা/শৌগৎনীংলিবা কম্যুনিতিন্দুগী য়োকখৎনীংবা লম্বী অদুদা পঙইন ইনগদ্রা/পঙচৎ চৎকদ্রা হায়বসি অতোপ্পা কম্যুনিতিশিংনা খন্ননীংঙাই ওইবনা ৱাহং কয়াগী পাউখুম থিবা তারকই। ●

# মণিপুরগী থাজ ৱারী ঈচেলদা শকফম হোংলক্লিবী ৱাইথৌ পাৎকী মফম

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

চীং-মান, পাৎ-তুরেল কয়াসিনা নুংশিবসিদি, করিগবু চাংদম্নসিগে! য়েংলু-য়েংলুবা খুদিংমক্তা নুংওনবৈ নুংওনবা ঙাক্তা। মণিপুরসে পাৎ ওন্থোক্লা মরাং কায়রমখ্রবজাৎনি। থরো থম্বালনা মনিং তম্না শাৎপা পাৎশিংগী মফজদুদি। হিংনবগী লম্বীদা পুন্সি শিন্থা পাঙলিবা কয়াগী ৱাকয়ৈ হি কয়ানা পাৎকী লাইজ-ঈপাক্তা জ্-জ্ চৎপদু য়েংবদা কয়াগী মতিক নুংশিবা! শৈথাবা হৈবা কয়ানা শৈথাবীরম্বা লোক্তাক লাইরেম্বী ইমাদি লাইবক ফবী ওইখ্রে। শৈথাবীনবা ৱাৎলবা লমদমসিগী লৈতেং ওইরিবা পাৎ কয়াগী মনুংদা ৱাইথৌ পাৎসু শীংথাবা য়াই। মতম অমা লৈরম্মী ৱাইথৌ পাৎসে য়েংবগী পেনবা নাইদবা। লৈরাং থম্বালনা পূমঙান হেক ঙানবদো, মীৎসে পুমথন থনবজাৎনি। পোম্বী চেক্লা কয়ানা অকি অখং য়াওদনা চাক্তাবদো য়েংবদা কয়াগী মতিক নুংশিখিবা! য়েংবৈ পেনবা নাইদবনি। ওলাংথাগী শারবা নুংশাদা পাউনা কৈথেল, থঙ্গাল কৈথেল, ইমা কৈথেলদা পোৎ চৈ ফি-রোল লৈবা চৎপা অমদি ইম্ফাল সহরগী করিগুম্বা মফম অমদা থবক চৎপদা হুমাং ওরো ওরো হৈথখৈ খাঙবদো খোয়-লিন চাকথেকখৈ শাবদৌনা খনবজাৎনি। মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা বস মনুংদা কৃক কৃক ইন্নখৈ তোংবদো কয়াদি ৱাখ্রে। ইমা করিনুংগীনো হায়বদুমক য়ৌবীনি। অদুক য়াম্না খোয়চাক্লবা ওল্লাঙ ওনশাউনবদো ৱাইথৌ চীংগোনগী থেক খোয়রবা লম্বীদা নাকল অমদা অমুক চেপথ অমরোমদা অমুক হৈথদুনা চৎলবসু ৱাইথৌ পাৎকী নিংথিবা শকফমদু উবদা ওলাংথাগী মৈশাদু পুমকাউ কাউবীনি। পূক্লিং হকচাং অনীমক খংঈং হেক ঈংবোই খনখিবনি। মদো পাৎয়ায় ঙানবী লৈরাং থম্বালগী ফজবদু উরুবদনি। পোম্বী চেক্লাশিংগী নুংশিবা শৈরোল তারুবদগীনি।

ৱাইথৌ পাৎ, ইচম চম্বা পাৎ নত্তে। মণিপুরগী থাজ ৱারী অমদি শেন্মীৎলোন্দা মফম চাউনা কন্দুনা থল্লিবা পাৎনি। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা মহৌশাগী শক্তম ঙাকচরম্বী পাৎনি। চায়নরোল পুয়াদা য়াওরিবা লম্মীৎলোনগী মতুংইন্না থাঙঙা কম্বোং ফুরুপকী চেংখু চেংয়াম্বী কৌবীগী মপারী তরামঙানা খুমন লমগী মনুং চন্না লৈবা মফমদা লা হেকপা লাক্লম্মী। মতম অদুদা খুঞ্জান নিংঙোল লাইরুচেঙ শিলহৈবা চনু মপারী খুমন নোংয়ায় লীকমন লান্থংনা "নপা নপুগী লম নত্তবা খুমনগী লমদা করিগী লা হেকপা লাক্লিবনো" হায়রগা কোয়না কোয়না তান্নখি। অসুম্না কোয়না কোয়না তান্নখি হায়দুনা কোয়চীং হায়না মিংথোনখি। কাইনথংদা মশম মনা ৱায়না (পায়দুনা) ফারে হায়বগীদমক ৱাইথৌ হায়না মিংথোনখি। পাৎ অসিগা মরী লৈনবা ৱারী ৱাখোঙদি মসিনসু লোইদে। নিংথৌরোল লম্বুবা (অহানবা শরুক) তা য়াওরিবা লম্মিৎলোন্দা ৱাইথৌগা মরী লৈনবা মতাং অমা য়াওরি। লৌখৎচরিবা মরী লৈনবা মতেক অমা, *"ঙানবা তেকচা পাম্বা শরা লাইহৎ থৌবনা থৌবাল ঈ মরূগী লাইরেন মকোক অনী লোঙবা, মকোক অমনা ৱাইথৌ খমপুৎতা চাক্তাবা মকোক অমনা ককচিং তোংচীং লান্না চাক্তাববু শরা লাইহৎ থৌবগী থাঙলেন মখূৎসুনা লাইরেন মকোক অমবু ককখিয়ে। মফমদুবু ককচীং হায়না খঙনখি। লাইরেন মকোক অমনা চোংথোকখিয়ে। মফমদুবু চোংচীং হায়না খঙনখি"* অসুম্না ককচীং অমদি লমদম অসিগী পুৱারী শাগৎপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা ৱাইথৌ পাৎনি।

মতম কয়াদগী পাৎ অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়ামগী শেন্মীৎলোনগা তৎন-থানবা য়াদনা চহী লিশাং শীৎনা লৈমিন্নরক্লি। পাৎ অসিদা লৈশাৎ তল্লিবা লৈরাং থম্বাল হেক্তুনা তরা কৈথেল লুকমায়দা থেন্দুনা য়োল্লিবদো মপুগী খুয়াখাদা কৎচবনি। প্লাষ্টিক চেরং নত্তবা অদুঙৈগী থম্নাদা য়োম্বা কাংগী খেচ্রিদো মনম নুংশিনা ওইনম্না হাওবনিদা। থম্না, থম্বাল, থমচেৎ হেক্তুনা অমদি লৈবাক লৈরোন তৌদুনা থম্বৌ তাল্লগা য়োন্দুনা ইমুং পুবা ঙম্নবা হোৎনবা কয়ানি। ঙানা মরোল অমা ফানখ্রিবা। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা তম্ফা খুদোপ য়াইওইবীনি। মহৌশাগী ফজবা নীংথিবখক নত্তনা তাইবঙ নাউয়োকপীরিবা পাৎনি। অসিগুল্লবা মতিক ময়াই লৈরবা পাৎ অসিগী শক্তম হোংনীং হোংনীং তৌরক্লে। চাওখৎপগী থিংঙমদ্রবা নুংশিৎনা লেপ্পা লৈতনা হুমজিল্লকপগা লোয়ননা অদুঙৈগী থম্বাল থমচেৎ থম্বৌগী মফম ফজরবা বিল্ডিংনা মুনবা হৌরক্লে। মোদর্ন ইন্দষ্ট্রিজগী খোঞ্জেলনা পোম্বী চেক্লাশিংগী নুংশি শৈহেকসু নমহৎখ্রদ্রা হায়বগী অকিবনা লাঙ্গৈই চনশিল্লক্লে। চাওখৎপগী লমজেল তান্নবদা ঈংনা তপ্না মোং হাদনা লৈজবী, তাইবঙবু নাউয়োক নাউকোনবীরিবী মহৌশা লাইরেম্বীদা চৈবী চৈথেং পীরক্লি। ৱাইথৌ কৈথেল অমদি ৱাইথৌ চীংগোনগী থেক খোয়রবা নেসনল হায়ৱে মপান্দা মাগী মাগী মতমনা লাকপদা থম্বাল, থমচেৎ, থম্বৌ য়োন্দুনা ইমুং পুনবা হোৎনবা কয়ানি। পাৎ অসিগী মপান তাংদুনা হিংবা থৱায় কয়া লৈরি হায়বসি কাউনরক্লদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লকই। ইমুং লিশীং লিশীংবু নাউয়োকপীরম্বা পাৎ অসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ইনাকখুনবা মীওই খুজোক খরগী মরল ওইখিবসু য়াই। চাওখৎপগী খোঙজেল ঈরোয়ননা লৈঙাক নৎত্রগা মতিক ময়াই লৈবা তৌগেদা ঙম্বা লন্নাই মীওইনা শেম্নীংবা মওংদা শেমখিবদা তক্সি শোঞ্জবা নত্তনা করিবু তৌজরুবা ঙমগনি। লম্ফেল নৱা কোম্বীরৈ, য়ারল পাৎতা ওংবী লৈ হায়না শৈথাজরম্বদো মমি শামি ওইরবনি। লৌশি পাৎকী থরো থম্বালসু অদুমঙায়, ৱারী খক্তমক ঙাইরে। চাওখৎপগী মীংদা পাৎ কয়া মাঙশিল্লকপসিননি, লোক্তাক কনবগী খেঙজং কনখৎলক্লিবসু। কৈবুল লমজাওগী শঙাই, শিরোইগী লিলি কন্ননবা হোৎনবগুম শকফম ওনবা হৌরক্লবী ৱাইথৌ পাৎ অমদি অতোপ্পা পাৎ কয়াবুসু কনবা ঙমজরবদি মহৌশাগী খল কায়হন্দবদা খজিক্তং ওইরবসু কান্নবা পীগদ্রা খল্লি। চাওখৎ থৌরাংসু পায়খত্তবা য়াদে, তৌবতবু পাৎ অমা লৈরম্মী হায়বগী খুদম চাংদম অমত্তসু মীৎনা উবা ফংদ্রবদি তুংদা লাকপা ইচা ইশুশিংনা ঐখোয়বু ৱারৌবা মতাং লাকপা য়াই। ঙসি ঙসিমক্কী ওইনদি খরবু শাফরি, মীরোন খরগী তুংদা মহৌশাগী খলনা পুমকায় কায়থরক, মীওইবা য়াওনা তাইবঙ জীব পুম্নমক মুৎখিবা য়াবগী ফীভম য়ৌরক্লবদা শোয়দনা হায়রক্কনি, ২০ অমদি ২১শুবা চহীচাদা হিংলম্বা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা তাইবঙ থৱায় ওইরিবা চীং, পাৎ কয়া কনবা ঙমহৌদবদু করিগীনো, ফুগ্রী খোক্তুনা লৈবজাৎলা? চাওখৎপনা খম থেংলবা লাইরিক লাইশুগী লৌশিংদু কদোম পাংনা চেন্থখ্রবনো? ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।